ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯱꯰, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯷꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, এপ্রিল ১০, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ১৯শুবা মশীং

পুলিসকী নোংমৈ মাঙবা

থিজিনবগী থাক্তা লৈরিঙৈদা সী এমনা ৱা ঙাঙহন্নীংদে

অনীশুবা মণিপুর রাইফলসকী আর্মদ কোটতা থম্বা দি জি পুলগী ৯এম এম পিষ্টল ৫৬ অমসুং নোংমৈ অসিমক্কী মেগাজিন ৫৮ মাঙখিবা থৌদোক অমা থোকখ্রবা তুংদা লৈঙাক্লা পুলিস পার্সনেল ৮ থবক্তগী সস্পেন্দ তৌবা লৈখ্রে। পুলিস পার্সনেল ৮ অদু অমনা আই পি এস ওফিসরনি অদুগা ৩ অমনা এম পি এস ওফিসরনি। অতৈ লেমহৌরিবশিং অদুনা সুবিদার ২, হেদ কন্সটেবল ১ অমসুং রাইফলমেন অমনি। নোংমৈশিং অদু কুমজা ২০১৪গী ওক্টোবর ৯দগী ২০১৮গী মার্চ ৯ ফাওবগী মনুংদা মাঙখিবনি হায়না পল্লি। অচুম্বা অমসুং অশেংবা খঙদোক্নবা অমদি নোংমৈ মাঙবগী ৱাথোক অসিদা কনা-কনা চেন্নরিবগে হায়বা থিদোক্নবগীদমক লৈঙাক্না কেস অসি নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ) দা শিন্নখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি কেস অসি এন আই এনা পায়দ্রি। লৈঙাক্লা এন আই এদা শিন্নবগী মরু ওইবা মরম অসি অনীনি। অমনা মাঙখিবা নোংমৈশিং অদু খূৎলায় পায়বা লালহৌলূপশিংগী খূৎতা তাখিব্রা হায়বা অমা অদুগা অতোপ্পা অমনা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা পুলিস পার্সনেলশিংনদি মখোয়দা ইস্যু তৌবা নোংমৈ ফাওবা য়োল্লগা চাই হায়না অতৈ ষ্টেটকী মমাঙদা ইকায় ফিরুক খুমগদবদু মায়োক্নবা তৌবা থবক অমনি হায়না লৌবা য়াই। মসিগীসু মথক্তা লৌবা য়াবা ৱাখল্লোনদি য়াম্না লৈ। ইনভেষ্টিগেসন্দা মণিপুর পুলিসনা হৈশিংবা ৱাৎলকপা অমসুং খঙন-চান্নবা ঙাক্তা ওইবনা মরাল পীরমদাইদা লৈথোক্তুনা চৎখিগদ্রা হায়বগী চিংনবা অমসু লৈঙাক্তা লৈরম্বা য়াই হায়না লৌবা য়াই। ওইনীংবা ওইজরগসু কেস অসি এন আই এদা শিন্নরবনিনা পোলিটিকেলগী ওইবা খূৎ চঙদ্রবা অমসুং মণিপুর পুলিসনা নীংথিনা মতেং পীরগদি অচুম্বদুদি শোয়দনা পুথোক্লগনি। মখোয়না অচুম্বা পুথোক্কদৌরিবা অদু লৈঙাক্তা রিকমেন্দ তৌরক্কদবা নত্তে। হকথেংননা মরী লৈনবা কোর্টতা ফারিবা মীওইশিং অদুগী মরী-মখোঙ অমসুং নোংমৈ মাঙখিবগী ৱাথোক্কা মরী লৈনবশিং খুদম-চাংদম পুথোক্লগা পীগদৌরিবনি। মদুগী তুংদা মপূং ফাবা চার্জসিট অমা ফ্রেম তৌরগা মরাল লৈবশিং অদুগী মথক্তা চৈরাক পীননবা প্রোজিক্যুসনগী ওইবা থবক থৌরমশিং লৌখৎকদৌবিরনি। এন আই এনা পায়বা কেস ১০০গী মনুংদা ৯০দি মায় পাকই। মণিপুরগী নোংমৈ মাঙবগী ৱাথোক অসি থিগৎপদা অদুক হাক্লা লুগদবা নত্তে, ষ্টেট পুলিসনসু অদুম পুথোকপা ঙমগনি। তৌবতদি অচুম্বা খুদম চাংদমশিং মাঙহন্দনা লৈঙাক্লা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীহন্নীংবগী মায়কৈ অদোমদা য়েংলগা হেন্না মপূং ফাবা এজেন্সি অমদা শিন্নবনি হায়না লৌরবসু থোইনা অকায়বা লৈতে।

নোংমৈ মাঙবগী ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা মণিপুর পুলিসনা পার্সনেল ৪ ফাগৎখিবা লৈখ্রে। অনী অমদি কোর্টতা পুথোক্তুনা নুমিৎ ১০নিগী ওইবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথরগা ৱাহং-পাউহং চথরি। অতোপ্পা অমদি মশা ঙমদবদগী হোস্পিটালদা লায়েংহল্লগা থল্লি। মরম অদুনা কেস অসি হৌজিক্তি কোর্ট য়ৌরে হায়বা য়ারে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা হোম দিপার্টমেন্টকী থৌসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না হন্দক্তা ইম্ফালগী নিত্যাপাট চুথেক্তা লৈবা বি জে পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী ওফিসতা পাঙথোকপা বি জে পিগী মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা নোংমৈ মাঙখিবগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা ঙাঙখিবা ৱাফম অদু খজিক্তং ফজবা ৱাৎলি। লৈবাক্কী লুচিংবা অমনা ৱা ঙাঙবা হায়বসি য়াম্না চেকশিন্নীংঙাই ওই। মশামক্নসু ৱাফম অসি নুমিৎ অদুদা ফোঙদোকখ্রবনি। হিন্দি ঙাঙবা নীংথিনা হৈতবদগী গুজরাটকী মাধবপুরগী ৱাথোক অদু থোকখিবনি হায়নসু মশামক্লা শেংদোকখিবনি। অসিগুম্বা ৱাফম ময়াম অমা শেংদোকখ্রবা মতুংদা সেকেন্দ এম আরগী আর্মদ কোটতগী নোংমৈ মাঙবগী ৱাথোক অসি পোলিটিক্সকা, মীখলগা মরী লৈনৈ হায়না ফোঙদোকখি। নোংমৈ মাঙবগী ৱাথোক অদু পোলিটিক্সকা, মীখলগা মরী লৈনৈ হায়বদুগী খুদম চাংদম অমা মহাক্লা নুমিৎ অদুদা পীখিবদা-বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিদি মার্চ ১৫গী মতুংদা লাকখিবনি। মার্চ ৩দা অসাম রাইফলসনা মী ২ ফাবা মতমদা নোংমৈসু ফাগৎখি। মীওই অনীদুদগী ফাগৎলিবা নোংমৈ অদু অনীশুবা এম আরগী আর্মদ কোটতগী মাঙখিবা নোংমৈগী নম্বরগা মান্নরমখি। মসিনা তাকপদি নোংমৈ মাঙবগী থৌদোক অসি মার্চ ৩গী মমাঙদা থোকখ্রে হায়বসিনি। মতম অদুদদি বি জে পিগী লৈঙাক লৈত্রিঙৈগী মতমনি। এ আরনা পীরকপা রিপোর্টতা খূৎলায় পায়বা মীওই খরনা ইলেক্সনগী কার্দ অমদি অধার কার্দনচিংবা মুল্লে হায়বা পাউ অমা তাবদগী থিবা হুম্বগী থবক চথবদা মীওই ২ অদু নোংমৈগা কোন্ননা ফাখিবনি হায়না পল্লি। চীফ মিনিষ্টরনা হায়রিবা ৱাফম অসিনা অচুম্বা ওইবা তারবদি কেস অসি করিগীদমক্তা এন আই এদা শিন্নগদৌরিবনো? অদুমক মরাল লৈবশিং চৈরাক পীরোদনা? মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি, নোংমৈ মাঙবগী ৱাথোক অসি অমুক্তদা পুল্লপ মাঙব্রা, মচিৎ-মচিৎ ওইনা হুরগা য়োম্থোকখিব্রা, কনানা কনাদা লুপা কয়া লৌরগা য়োল্লি, মীখলগা মরী লৈনরগনা করম্বা মীরেপকা মরী লৈনৈ হায়বা অমা থিদোক্তবা য়ারোই। অসুক কুপ্পা ৱাফম অসিবু পোলিটিক্সরোমদা পুশিল্লগা মরাল শিননবা, মী চৈননবা হোৎনবগী মহুত্তা অচুম্বদু পুথোক্ত্রিবমখৈদি ৱা ঙাঙহন্নীংদে।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

ধর্ম্ম অমসুং চিঙ্গাক

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

পুন্সিবু মশক তাকপদা ধর্ম্মনা অচৌবা য়ুম্ফম ওই। ধর্ম্ম হায়বা অসিদা থৌনা অমদি খাঙবা কনবগা ইরোয়ননা চৎলি। অসিগুম্বা অসি মীওইপোক্তা অথোইবা ওইখিবা কয়াগী পুন্সি ৱারীদা ঐখোয়না থেংনৈ। অফবা অমসুং মহৈগী মঙাল নীংথিনা ফংবা, লৈপাক্কী শক্লাইরবা শান্নরোয় ওইরম্বা কয়াসু নাপলনা ময়াই কাদুনা ধর্ম্মনা মশাদগী লাপথোকখ্রবদা লম্মখাংদা মাঙখিবা কয়া ঐখোয়না থেংনখ্রে। মথন্তা মাঙখিবা নত্তনা মহাক্কী নাপল অমদি মাঙখ্রিবা ধর্ম্ম অদুনা মরম ওইরগা চাদা নাওদা ফাওবা মথং মথং মাঙখিবা ঐখোয়না থেংনখ্রে। অদুগা মীওইবগী নাপল হায়বা অসিনা ধর্ম্মনা পৈশাগী মমায় নাকল অমমম ওই হায়বদা অরানবা ওইরোই। লায়রবনা পৎ তৎলবা নোংমগী শূরগা চরা তানবা কয়া ধর্ম্ম কায়দবা অমদি মশাদা নাপল য়াওদবনা মমৈদা হোৎনজমনগী মহয় ফংদুনা মচা মশু কয়া ফগৎলক্তুনা লৈপাক্কী অমদি ইরমদমগী মীংচৎ কয়া পুরকপা য়াওখ্রে। ইনাক খুনবা কয়ানা মীগী থম্মোয় কায়হন্দুনা কাঙলোন কায়না পৈশিল্লম্বা লন-থুমশিং মীৎনা কৃপ্পদা মাঙখিবা অঙকপা নত্তে। অসুম্না ধর্ম্ম অমদি অধর্ম্ম অনীগী খেন্নবা ঙসিগী খুন্নাইদা অমদি হৌখিবা পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা ঐখোয়না থেংনখ্রে। মহাভারতকী তাঙ্কক কয়াদা ধর্ম্ম য়াওদবা দ্রুজধন অমদি মীয়াম্না ধর্ম্ম লৈবনি খঙনখিবা যুধিষ্টিরনা মমৈদা লেংদনা মীংচৎ উরোং খিল্লমখি অদুগা ধর্ম্ম য়াওদবা দ্রুজধন্না শাগৈ তুম্না মাঙখি।

অথোইবা মীওইপোক কয়ানা হায়বীরম্বা লাইনীংনা মমৈদা মায় পাকই হায়বসি মতম চুপ্পগী ওইনা ককপা য়াদ্রবা মমল নাইদ্রবা পাউজেলনি। মপান থোংগী শক্তমদা ফনা উবা কয়াগী মশাদা ধর্ম্ম পক্তবনা লৈখা তাখিবা খঙহৌদে। ধর্ম্ম লৈবনা অথোইবা লন্নি হায়বা অসিমদি অচুম্বা ওইবা তাই। মসিদা নৈনবা য়ারিবদি মীওইবগী নুংগী অথুপ্পা আত্মাদি অমত্তনি, ঈগী মচু অমসুং খোঙজেলসু অমত্তনি। হকচাংগী ঈ অমসুং লূ-তোং কয়া শুংবা অমসুং শাগৎলিবা অসিদি চিঙ্গাকনি। চিঙ্গাক্লা হকচাং শাগৎপনা চিঙ্গাক্কী মচল অমদি ভেল্যু কয়া ঈদা অমদি লূদা-তোংদা য়াওরল্লিবনি। চিঙ্গাক্লা জিব খুদিংদা মমি তাই। চিঙ্গাক্লা মীওইবগী মরক্তা অতৈ জিব পানবা কয়াগী লমচৎ শাজৎ লেপ্পী হায়বসি লানগদবা মান্দে। ধর্ম্মদি লমচৎনা লেপ্পা তাই। চিঙ্গাক্তগী ধর্ম্ম পোল্লকই হায়বসু কায়দব্রা খল্লি। অফবা মীওই কয়া চিঙ্গাক্লা মাঙহনখি। চিঙ্গাক্লা মাঙহনখিবা মীওই খুদিং ধর্ম্ম য়াওখিবা ঐখোয়না থেংনদে। মরম অসিননি চিঙ্গাক্লা ধর্ম্মগী মশক লেপ্পী হায়রিবা। ধর্ম্মনা অথোইবা পাঙ্গলনি। ধর্ম্ম য়াওদবা জিব কয়াগী থৌনা অমসুং পাঙ্গলদি য়াম্না থুনা উৎথোরকই। অসুম্না ময়াই কাবা চিঙ্গাক চাবা মীওই কয়ানা চারিবা-থক্লিবা কয়ানা মশাদগী ধর্ম্ম তপ্না তপ্না মাঙলকপনি হায়বসি লাল্লরোই। ধর্ম্ম মাঙখ্রবা, মশাদগী ধর্ম্ম তাম্থোকখ্রবা মীওই কয়ানা খুল্লিংবা লমদম অদু শান্তিগী তুংনফম ওইরোই হায়বা লানগদ্রা? হাৎন-শুনবা, নুপী অঙাংগী ক্রাইম কয়ানা নোংমা কাংদনা থোরক্লিবা অসি ধর্ম্ম ওইনা য়েংবদা ওন্ন-তৈনবগী ফলনি। অদুগুম্বা মচাকশিংগী মনুংদা ঐখোয়না নুংতিগী চারি-থক্লিবা পোৎলমশিং অসিনা মরুনি। মীওইবগী ঈগী খোঙজেলদা চিঙ্গাক্কী মচল কয়া য়াওখিবনা ব্রেন্দা সপ্লাই তৌরিবা ঈদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্তগী শুংলকপা ঈনা ব্রেন্দা য়ৌবদা শাহিং চাবগী ৱাখল ফাওরকই। অফ-ফত্ত খনবা ঙম্লক্তে, ওন্ন-তৈনবা ঙাক্তা তৌরক্তুনা ৱাথোক কয়াগী হৌরকফম ওইরকই। অসিগুম্বা কয়া অসিদগী ঐখোয়না ঙাকথোক্কে হায়রবদি য়ামদ্রবদা অতৈমক তৌদ্রবসু অফবা চিঙ্গাক চাবা, ময়াই কাবা চিঙ্গাক মতম চুপ্পগী ওইনা শোকপীদবা অসিনা অথোইবনি। ঙসিগী শা-ষণ ফাওবা চারিবা মীওইনা অফবা লম্বীদা লাকপদি য়াই অদুবু হকচাংগী ঈগী খোঙজেল কায়গদবা চিঙ্গাক্তি অচম্বা চিঙ্গাক্লা ওইফম থোকই। মসিনা অরানবা লম্বী চৎতনবা হোৎনবদা চাউনা মতেং পাঙগনি খল্লি। ঙসিগী মীওই কয়ানা মফম খুদিং হিংশাগী থবক কয়া চখুনরক্তুনা অফ-ফত্ত খনবা ঙম্ন রক্তবগী মরমসি চিঙ্গাক্লা থোকহনবনি হায়বসিদা করি অরানবা য়াওবগে। অদুনা চিঙ্গাক্লা ধর্ম্ম মাঙহন্দুনা ঐখোয়গী শান্তিগী মফম লৈহন্দে হায়জনীংই।

অদোমগী - এম থম্মৌ, ককচীং খুনৌ হিজম লৈকায়

কম্মনৱেলথ গেমসতা মণিপুরী নিংঙোলশিংগী ফিদা

খুমুকচম সঞ্জিতা চনু

সাইখোম মিরাবাই চনু

হেক্তা হায়নীংলকই - ৪৮৩

জিতেন নামৈরাকপম

ঐখোয় মশেল অমনা অমবু পংথা থাগৎনদ্রসু মণিপুরী মচাশিং অসি শান্ন-খোৎনবগী লমদা মাঙদা চেনখৎলক্লি হায়বসিমদি ককপা য়ারোইদবা ৱাফম ওইরে। মণিপুর স্পোর্টসকী পৱর হাওসনি হায়বসি খঙবিবদগী স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অমা লীংনবা উরেপ উযুং তমখ্রে, থাগৎনীংঙাইনি। হোকি মশান্নদা ইন্দিয়াগী টিমদা গোলকিপর ওইনা শরুক য়াখিবা ওলেম্পিয়ন পি নিলকমলগী মতুংদা মণিপুরগী স্পোর্টস পার্সন কয়া অমা পুথোকখ্রে। এসিয়ন গেমসতা বোক্সিংগী মশান্নদা দিঙ্কু গোল্ড মেদল লৌখি। ওলেম্পিক গেমস, কম্মনৱেলথ গেমস, এসিয়ন গেমস অমদি সাফ গেমসনচিংবা মমিং লৈরবা শান্নবগী কম্পিটিসনশিংদা মণিপুরী মচা কয়ানা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নরুরগা মেদল কয়া লৌরকপা লৈখ্রে। আর্চরি, এথলেটিক্স, বোক্সিং, সাইক্লিং, ফুটবোল, ফেন্সিং, হোকি, জুদো, মাউন্টেনিয়ারিং, পোলো, টাই ক্বান্দো, ৱেটলিফটিং, রেষ্টলিংনচিংবদা মমিং চৎলবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মণিপুরী মচা অসুক্কী মতিক য়াম্না লৈখ্রে। নুপীদা ঐখোয়গী অনিতা, কুঞ্জরানি, সনামচা, তিঙ্গোংলৈমা, সরিতা, মেরি কোম, রামেশ্বরি, সুশিলানচিংবা পরেং শানা মশীং থিরুবদা খূৎ থেকপদা চিথ্থ-নাম্থহৌবা মশীংনা হেল্লিবনি। অদুসু নুপীগী নুপীমক্তা! হৌজিকসু কন্না মমিং চৎখৎলক্লি য়োৎ থাঙ্গৎপদা, মপাঙ্গল কনবদা মিরাবাই অমসুং সঞ্জিতা। কম্মনৱেলথ গেমসতা সনাগী মেদল অনী লৌদুনা ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরকখ্রে। মেরি কোম, সরিতাসু মেদল হাপচিল্লক্নবা বোক্সিংগী এরেনাদা ঙাইদুনা লৈখ্রে।

মৈতৈ নুপী/মীতৈ নুপী শুপচিল্লগনা মণিপুরী নুপীশিংগী শক্তি অঙকপনি। কুমজা ১৯০৪গী নুপী লাল, কুমজা ১৯৩৯গী নুপী লাল লালগী লালমক্তনি থেংনরিবসি। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ইমা কৈথেলদা চঙলুরে নুপীগী নুপী ঙাক্তা। মৈরা পায়বী নিশাবন্দ ফংলে লৈকায় লৈকায়গী মৈরা শঙশিংদা নুমিদাংদা/অহিংদা শংদুনা লৈরমগনি ইমা ইবেলশিং। মহৈ মশীনগী লমদবু ওইরো টেন, টুয়েল্ভ, এম বি বি এস (নীট) ওইরো কম্পিটিসন এগজামিনেসনশিংদসু মঙাই টোপ্পর হেক্তা ওইরক্কনি নুপীনা। কুমজা ২০১৮ অসিৱাই য়ৌরকপদদি কিবা অমদুম য়াওশিল্লক্লে নুপাগী চন্নফম লৈত্রবা মফম অমা ওইরব্রা খনবগুম তৌরক্লি। নুপীমচাশিংনা নুপামচাশিংদগী অদুক্কী মতিক য়াঙখৎনা চেনখৎখ্রে। কমদৌই নুপী পোকপগী নুপা য়াওদে হায়দুনা নীংঙমদনীংঙাই লৈত্রে। ক্লাস টেন/টুয়েল্ভ ফাও লানদ্রিবা নুপামচাসি অয়াম্বনা পাকথ্রোক পাকপা লিশীং ২০দগী তাদবা মোবাইল ফোন, বাইকলা মোটোর সাইকল্লা গাড়ী অমা, কোয়বা লাংবা চোঙবা-ফনবা, অনৌ-অনৌবা মমল অতাঙবা ফুরিৎ-ফিরোল, খরা হেন্না শঙ্গ-পঙ্গ লৈবা অঙাংনা মমা-মপাগী মরল অতাঙবা কার, লাইসেন্স গন য়েপ্পা, কোয়বা-লাংবা পিক্নিক, ইংলিস য়াম্না খঙবা শাদুনা ব্রোকন ইংলিস পংঙাঙদা ঙাঙবা অদুগা গ্রামাটিকেল্লি নিল ওইবা নুপামচাশিংনতা মণিপুরদা শৌ শাদুনা লৈরে। ফেসবুক শান্নবদা অহিং তুমদবমখৈ মেৎপদতা আনোক অহুম্লক শিনগদৌবা অঙাংফাও য়াওরক্লে। মশ্বাইসিদনি অইবনা হৌগৎলকপা অঙাং নুপামচাশিংগী পুন্সি পাম্মুরক্লিবসি। মসি হায় হায়দুনা নুপীমচা লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা পম্তুংফম খঙদবা উশা অমদা পাইগদৌবগী রেদিদা লৈবা লিশীং লিশীং অমসু লৈতবা নত্তে। নুপামচা নৎত্রগা নুপীমচাবু ওইরো মখোয়গী পুন্সিগী পম্তুংফম্না চরাংনবা পুন্সি অমা হিংলকপা মতমদা মমিৎতগী মপি তানা কপ্পা অদু থোকহন্নীংদবগী ৱাফমখক্তনি।

মণিপুরদা স্পোর্টস হাওস ওইবগী মথক্তা হৌরক্লিবা অঙাংশিংগী পুন্সিদা শান্ন-খোৎনবদা কম্পিটিসন তৌনবা, থকসি-খাসি লৈবগী মথক্তা স্পোর্টস ফেষ্টিবেল ওইনা পাঙথোক্তুনা ঐখোয় পূম্নমক্কী থম্মোয়দা নুংশিনবগী ঈথিল অমা লৈহনবা হায়বসি ঐখোয়গী ঈ-তোংদা য়াওদুনা লাক্লে।

১২৫ হেন্না লৈবা ইন্দিয়াদা লাক্ষ ৩০শু ফাদবা মদুগী মনুংদা মৈতৈ/মীতৈ মচানা তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৭১গা শান্নবা শিংনবা মদুসু শান্নরোয় অমসুং ওফিসিএল ৬,৬০০কী মনুংদা মৈতৈ/মীতৈ নিংঙোল অনীনা গোল্ড মেদল অনী লৌবা ঙম্বা হায়বসিসু অরাইবদি নত্তে। মিরাবাই, সঞ্জিতা নখোয় অনীগী মিং সনাগী ময়েক্লা য়েক্তুনা লৈহৌরগনি। হৌজিকসু ঙায়রি মেরি কোম, সরিতা নখোয় অনীসু মায় পাকপা ওইবিয়ু। হোকিদা কোথাজিৎ, চীংলেনসনা, নুপীগী হোকিদা সুশিলা, সাইক্লিংদা মনোরমা, সোনালি চনু নখোয় মাপনখক্তনি ইন্দিয়ন কন্টিনজেন্টতা য়াওখিবা পূম্নমক মায় পাক্লসনু। ২১শুবা কম্মনৱেলথ গেমস ২০১৮ ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোষ্টতা হৌখিবা তারিখ ৪দগী হৌখিবা ওলেম্পিক গেমসকী হেক মথংদা খ্বাইদগী চাউরবা শান্ন-কুম্মৈ অসিদা মণিপুরী মচাশিংনা মেদল খুদোল ফংলকপদা পূম্নমক্লা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লরি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, ঐখোয়গী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন য়াওনা মায়কৈ কয়াদগী হরাউ তয়াম্বা ফোঙদোক্লরকপা ঙসিসু লেপত্রি।

মণিপুরগী কন্টেক্সতা য়েংলুবদা নুপা অমা ওইনা অইবসু ইকায়বা ফাওরক্লে। লমদম অসিদা নুপা নুপীগী রাইট মান্নরগসু নুপানা নুপীবু বাইওলোজিকেল ফেক্টরদা, বোদি ষ্ট্রকচরদা কনবদা করিদা হেল্লি হায়বগী ৱাদু কক্লিবসিনি। য়ু থিংঙে নুপী, মীফা মীপূন আর্মি/সী আর পি এফ/কম্মান্দো থেংনরে নুপী, ঈৱাং ফলাং শাগৎলমগনি, বন্দ তৌরমগনি নুপানা অদুগা থেংনহৌবনা নুপী। অদুনদি মণিপুরদা লৈরিবা নুপাশিংসি ৱাখল য়াম্না খম্থবা মতম থেংমনখ্রে হায়জনীংই। লাইরিক লাইশুদগী হেন্দোক্তুনা শান্ন-খোৎনবগী লমদা নুপীশিংতনা অসুক্কী মতিক য়াঙনা চেনখৎখ্রে।

ঐখোয়গী লমদম অসিগী নুপাশিংনা তান্নবা ফংগদববু মানশিল্লক্ত্রে। কন্দাইদগী, স্পোর্টসকী ৱানা য়েমৌনরগা গুলিদা, এন টেন্দা, দল্লিয়ু ৱাই খুবাম-খুবাম চারগা উংদুনা লৈবা অঙাং কয়াসু লৈরবনি। জ্বার শান্নবা স্পোর্টস মখল অমনি হায়জবা, য়েন কাওনবদা শেঞ্জাউ থানবা কয়াসু উখ্রে। শান্নগে হায়রগনা ফুটবোলদু, ক্রিকেটতু ফাওনবা শান্নরোদনা অদুসু নত্তে। য়ুরোপিয়ন কপ, স্পেনিস লীগ, কোপা অমেরিকা, ক্রিকেটতা করিদা অহিং তূমদবমখৈ টি ভি য়েংলগা শেঞ্জাউ থানবা জ্বারি কয়া অমসু থোরক্লি। য়েন কাওনবদা শেল থানদৌ, খুনু তুনগদৌ শরুকপুদি মখোয় মশেল পুদৎনরো কাওনরোদনা অদুসু নত্তে। মরীল লৈতবগী ৱানি হায়বসু য়াই।

তৌবতবু খ্বাইদগী তনবা স্পোর্টস ইভেন্টতি বোক্সিং থিন্নবসিনি। কনাগুম্বনদি হায় বোক্সিং মশান্নসি খ্বাইদগী মরীল লৈবা নুপা থোকপা গেম মখল অমনি হায়না। বোক্সিং থিন্নবা কয়ারক য়েংখ্রে অদুবু খ্বাইদগী নুংঙাইতবনা মেদল ফংগনি হায়বগী আশাদা কন্ত্রি অমগী মহুৎ শিন্দুনা লাক্লগা মেদল লৌরগদি ফবা, মমায় মমিৎকদু মীনা থিনগায়রগা ইপোম পোম্না মেদল লৌদনা হনখিবদি পামদে। অদুবু হন্দক্কী কম্মনৱেলথ গেমস অসিদদি মেরি কোম অমদি সরিতা অনীমক মেদল শোয়দনা পুরক্তুনা হল্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরে। লোয়ননা মিরাবাই অমদি সঞ্জিতানা গোল্ড মেদল ফংদুনা হল্লকপগী হরাউ তয়াম্বা ঐখোয় পূম্নমক্লা ফোঙদোকমিন্নরসি।

ইম্ফাল ময়োলগী ত্রাফিক-১

খঙদোকমিন্নসি অমুক্তং : ৪১৯

হাওবম প্রিয়োকুমার

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল হায়রগা থঙ্গাল কৈথেল, পাওনা কৈথেল, বি টি লম্বী পরিং, গান্ধী এভিন্যু পরিং, নাগামপাল পরিং, খুয়াথোং পরিং অসিনচিংববু খঙনরি। থায়না মমাঙঙৈদদি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মতেক্লা কোল্লিবা থঙ্গাল কৈথেল, পাওনা কৈথেল, বি টি লম্বী খরখকসি নত্তনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ওইনা খঙনরমদে, লৈরমদে। অদুবু মতমগী মতুং ইন্না অসুম অসুম পাক চাউথোক্লকপদগী হৌজিক্তি মসিদগী হেন্না চাউথোকপা য়াদবগী ফীভমদা লৈরক্লে। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী খরা খজিক চথোকখ্রগা, লাপথোকখ্রগা কৈথেল কয়ামরুম লৈরি। লম্ফেল কৈথেল, তেরা কৈথেল, ক্বাকৈথেল, শিংজমৈ কৈথেল, কোংবা কৈথেল, কোনুং মমাঙগী কৈথেল, হাট্টা কৈথেল, লল্লোং কৈথেল, দিঙ্কু লম্বী পরিং কৈথেল, চীংমৈরোং কৈথেল অসিনচিংবা। অদুবু হায়রিবা কৈথেলশিংসিদদি মখল খুদিংগী পোৎলম শুনা ফংহনবা ঙমদ্রি। লোয়ননা ফংলিবা খরদুসু দুকান মশীং য়ামদবনিনা খন্দোক-খঞ্জিনগী মতাংদা নীংবা থুংহনবসু ঙমদ্রি। অদুবু খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদদি মখল খুদিংগী অয়াম্বা পোৎলম মরাং কায়না ফংলি। লোয়ননা এঙ্গাং-নাপি, ঙা-চাকনচিংবগী মতাংদসু মায়কৈ খুদিংদগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা পুখৎনরকপনিনা মফমসিদা ফংদবা লৈতে অমদি অহোঙ-অচাউদসু অদুম্মক কানবা ফংদবা নত্তে। অদুনা এঙ্গাং-নাপিবু ওইরো, মখল মখলগী পোৎলম্বু ওইরো লৈবা তারবদি মীপূম খুদিংমক খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা মীৎয়েং থম্নৈ। অসুম্না মীপূম খুদিংগী ৱাখলদা লৈখিবনা হৌজিক অতৈ কৈথেলদা মানা মথৌ তারিবা পোৎলমদু ফংজরবসু খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল হেক্তমক চৎনৈ। লোয়ননা এঙ্গাং-নাপিনচিংবা পুখৎলক্লিবা খুদিংমক্নসু খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা পুল্লপ মীৎয়েং থম্নরি। হায়রিবা ৱাখল্লোনশিংসিদগী খরা খরা লাপথোক্লবগী মথৌদি তারক্লবনি। হৌজিক্তি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা পোৎ চৈ লৈবা লাকপা মীওইশিংতনা কৈথেল অমদি মসিগী অকোয়বগী লম্বীশিংদা এঞ্জিন পানবা গাড়ী য়াওনা চিক্ল-চাইনবা ঙমদে। মসিখক্তনা অদুমক মফমসি ত্রাফিক জাম ওইহল্লি।

অদুনা হৌজিক্তি দিসেন্ট্রেলাইজগী মীৎয়েং মখাদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদগী খরা চথোক্লা লৈরিবা কৈথেলশিং অসিবু চপ চাবা কৈথেল অমগী মশক ওইনবা লৈঙাক্লা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎহন্নীংই। মদুম তৌখিবদা মফম মফমদুগী মীওইনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল তান্না লাক্লগা পোৎ চৈ লৈরবগী চাং খঙহন হন্থখিবা তাবনি। মসিনা হৌজিক ওইরিবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অমদি মসিগী অকোয়বদা ত্রাফিক জাম্না মীয়ামদা পীরিবা খুদোংচাদবা ময়ামসিদগী লাপথোকহনবা ঙম্লোইদবগী মরম লৈতে। অমনা মপানগী লমদা তৌনরিবা, কোলকটাগী বড়া বজারদা মপূং ওইনা সনা-লুপানচিংবগী লৈতেংতগী দুকানশিং লৈহল্লি। আনোক্কী মপূং ওইবা দুকানশিংনা বাউ বজারদা থল্লি। মপূং ওইবা লাইরিক্কী দুকানশিংনা কোলেজ ষ্ট্রিটতা লৈহল্লি, অসিনচিংবা পোৎলম পোৎলমদুগী মতুং ইন্না কৈথেল শেমগৎপা য়াওরি। অসুম্না ঐখোয়গীসু হার্দৱায়রখক্তগী ওইবা দুকানশিংনা অদুদা, ফি-রোলগীনা অসোমদা, এঙ্গাং-নাপি, ঙা-চাক্নচিংবগীনা অসিদা অসিনচিংবা। অসুম্না শেমগৎখিবদা মাগী মাগী মথৌ তারিবা পোৎ চৈ লৈবা লাক্লিবা মী অমগা অমগা য়েৎশিন্নদুনা কৈদৌনুংদা লম্বীদা অপনবা লৈহল্লরোই। অতোপ্পা ৱাফম অমনা, ষ্ট্রিট ভেন্দরনসু খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মনুংদা চাউনা লম্বী চিলহনবদা মতেং পাংদবা নত্তে। ষ্ট্রিট ভেন্দরগী প্রোব্লেম অসিদি অদুম্মক মায়োক্নদুনা লৈনরিবনি। ইন্দিয়াগী কোনুং ন্যু দিল্লি অমদি দিল্লিখক্তদা পূন্না চাউরাক্লা ষ্ট্রিট ভেন্দর ৪,৫০,০০০ রোম লৈরি। মুম্বাইদা ২,৫০,০০০ রোমনি, কোলকটাদনা ১,৯০,০০০ রোম অসিনচিংবা। অদুবু মখোয়গী ষ্ট্রিট ভেন্দরগী মশীংগা ঐখোয়গীগা য়েংনরুবদদি অদুক্কী মতিক খেন্নরি। ঐখোয়দি চাউরাক্লা লিশীং অমমুক্তনি। অদুনা ইমা কৈথেলগী মথক্তা হাংলিবশিংদা, লোয়ননা শঙ্কর টোকিজ, লম্ফেলগী মখা থংবা শরুক্তা হান্না এঙ্গাং-নাপি য়োনফম ওইহল্লম্বা মফমদু হৌজিক মতিক চানা শেমগৎলগা মখোয়বু হায়রিবা মফমশিংসিদা ফমহনখিবদা ষ্ট্রিট ভেন্দরনা মরম ওইরগা ত্রাফিক জাম ওইহল্লিবসিদগী লাপথোকপা ঙমগনি খল্লি।

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলনা কোল্লিবা মফমসিদা স্কুল কয়া অমসু লৈরি। শান্তিলতা মেমোরিএল স্কুল, দিগম্বর হায়র সেকেন্দরি স্কুল, জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুল, ভৈরোন্দান জুনিয়র হায় স্কুল, নির্মলাবাস স্কুল অসিনচিংবা। হায়রিবা স্কুলশিং অসিনসু স্কুল কাথোক-কাশিনগী মতমদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মনুং অমদি মসিগী অকোয়বগী লম্বীদা ত্রাফিক জাম ওইহনবদা তত্তনা চাউনা মতেং পাংলি। জোনষ্টোন স্কুল নত্তনা অতৈদি স্কুল অমা ওইবগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শুনা লৈত্রি। মপূং ওইবা অমত্তং পল্লবদা প্লে গ্রাউন্দ লৈতবা স্কুলশিং অসিবু মতৌ করম্না অসুক চিল্লবা কম্মর্সিএল এরিয়া অসিদা মরী লৈনবশিংনা অয়াবা পীদুনা হাংহল্লিবনো? খুদক্তা হোংদোকহনফম থোক্ত্রিব্রা? অমনা, কংলা পার্ক পরিং অমদি কৈশাম্পাৎলোমদা লৈরিবা লৈঙাক্কী লোইশঙশিং অসিনসু খ্বাইরাম্বন্দ কৈথেল অকোয়বগী লম্বীদা তত্তনা ত্রাফিক জাম ওইহনবদা চাউনা মতেং পাঙশিল্লিবনি। অদুনা মমাঙঙৈ মী য়ামদ্রিঙৈগী মতমদা হায়রিবা মফমসিদা য়েংখিবা লৈঙাক্কী মীৎয়েং অদুমক হৌজিক ফাওবা য়েংদুনা লৈবদি লানগনি। হৌজিক্তি মীৎয়েংশিংদুদগী মপূং ফানা হোংদোকপগী মথৌ তারে। খ্বাইদগী চাউবা কম্মর্সিএল এরিয়া ওইরিবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অমদি অকোয়বদা স্কুল অমদি ওফিসনচিংববু মফম চাবা য়েংল-য়েংলগা হোংদোকহন্দুনা মফমসিদা চথোক-চৎশিন্দা চাউনা অপনবা পীরিবসিদগী ঙাকথোক্লবা শিনবগী মথৌ তারক্লে হায়না লৌই।

গভর্ণরগী চথোক-চৎশিনগী মতমদসু হায়রিবা মফমসিদা ত্রাফিক্কী ঈচেলদা তোয়না অপনবা পীদবা নত্তে। অদুনা মফম চাবা য়েংলগা রাজ ভাবন অসিসু হোংদোকহন্নীংবা পোকই। মদুনা অতোপ্পা মায়কৈ কয়াদা চাউনা কানবা পীনবগী মচাক অমসু ওইগনি খল্লি। বৃটিশনা শারম্বা গভর্ণরনা লৈরিবা বঙ্গলো অসিবু শোক্লবা তৌদনা নীংথিজনা থল্লগা চাউরবা মফম অসিবু নীংথিরবা গার্দেন অমা শেমগৎহন্নীংই। মসিনা অহল-লমন অমদি থবক্তগী পোথারবা কয়াগী ঙাইহাক পোথাফম ওইহনবদা চাউনা মতেং ওইনগনি হায়না খল্লি। লোয়ননা অথু-অকায়গী থবক তৌরিবা অদুগা লেংবা-খোৎপদা ৱানা থোল্লবা মীনা চিক্ল-চায়নবা ঙমদ্রবা মরক্তুদা থল্লিবা মণিপুর ফায়র সার্ভিস অসিবু মফমসিদা পুথোক্লকপদা মাগী সার্ভিসতা হেন্না মঙম শানবা হায়বদুসু ওইগদ্রা খল্লি। অমনা নীল-খোংলবা, চরাং-খোয়রাংনবা মফমসিদগী লাপথোক্লা লৈখিবনা গভর্ণরসু পূক্লিং লৈতানা লৈবা ঙমগদৌরিবনি।

অতোপ্পা অমনা, গ্রেটর ইম্ফালগী মনুংদা মফম অমদগী অমদা চথোক-চৎশিন্দা অয়াম্বনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অমদি অকোয়বগী লম্বীশিং শীজিন্নদবা য়াদ্রি। মসিমক্লা হায়রিবা মফমসিদা ঙাইহাক লৈতনা ত্রাফিক জাম ওইহনবদা মতেং অদুম্মক চাউনা পাংলি। লোয়ননা লুহোং-খোংদোংবগী মতমদদি হায়রিবা মফমসিদা মপূং ফাবা ত্রাফিক জাম হায়বদু ওইহল্লি। অদুনা হায়রিবা মফমসিগী অকোয়বদা মতিক চাবা রিং রোদ অমা শেমগৎপগী য়াম্নমক মথৌ তারক্লি। অমনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মনুং অমদি মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা লম্বীশিংদা মফম চাবা য়েংল-য়েংলগা ফুট ওভর ব্রিজ (এফ ও বি) অমমম থমখিবদা লম্বী লাম্থোক-লানশিন্দা ত্রাফিক্কী ঈচেলগা য়েৎশিন্নরিবা অয়াম্বদি কোকপা ঙমগনি হায়নসু খল্লি। হায়রিবশিংসি পাঙথোকপদা ত্রাফিক কন্ত্রোলদা য়াম্না মতেং ওইনগনি হায়না লৌই।